থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# অনৌবা মতমগী শান্নবা য়াবা ভুৎ

‘ভুৎ’ হায়বা ৱাহে অসি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদদি য়াম্না তোয়না তাবা/থেংনবা ৱাহে অমা ওইরম্মী। লৈকায় লৈকায় খুদিংদা লমহাং-তুহাং-মোংশোংদা ‘মফমসিদা ভুৎ থোকই/তম্নে’ হায়নবা মফম অমা নৎত্রগা খরদি অদুম লৈরম্মী। অদুবু, ঙসিগী মীরোলসিদদি ভুৎ-প্রেৎ’কী ৱারী কয়া তানখিদ্রে। ঐখোয়’ স্বায়খক্কী ৱা নত্তে, মালেমগী মফম কয়াদা ‘ঘোস্ত-স্তোরি’ মমিঙ চৎলবা কয়া লৈ। ভুৎ-প্রেৎকী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা, অকি-অখঙ পোকহনবা ‘হোরর ফিল্ম’- হোল্লিৱুদ অমদি বোল্লিৱুদকী মমিং চৎলবা কয়াসু য়েংলকখি। ঙসিদি কয়া উখিদ্রে। ঐহাক থাজে- ঐগী ইশু-সূথাঙ হাক্তত্তদি ‘ভুৎ’ হায়বসি করিনো- খঙহন্নবা তাকপদা অরুবা অমা শোয়দনমক্কী ওইরনি। ভুৎ থোকই/তমনৈ হায়নরম্বা মফমশিং ঙসিদি মথোল-লোঙবা য়ুম-কৈ-দলান শাগৎনখরে। ঙসিগী অনৌবা মীরোলসিগীদমক য়েংলগা, ৱারেঙসিগী ৱাহৌ ওইনা শীজিন্নজ খ্রিবা ৱাহে অসিগী ৱাহন অমত্তং হায়রম্বদি চুম’মাল্লে। ঐখোয়গী লোন’দা ভুৎ/ঘোস্ত হায়বসি ‘তম্ন-লাই’ হায়না হনবা তাই। ৱারী লাইরিক্তা ইরম্বা, দিক্সন্যারিগুম্বা শক্তাক ৱাহে ওইনা ইরিবশিংদু য়েংলুরগদি- শিখ্রবা মীগী থৱায়না (শিঙমদনা শিখিবা/লানঙমদনা লানখিবা থৱায়না) ওল্লকপা মমি-শামিবা শক্তম (স্পিরিত) ওইনসু লৌনৈ। মরম অসিদগী ওইগনি- ঐখোয়গী লোন’দা ‘হিয়াঙ অথৌবী’ হায়বা ৱাহে অমগসু শেল্লম্লিবা। হায়রিবশিংসি, মীনা ঙাঙনরম্বা/লীনরম্বা ৱারী তারগা ইথোল্লকম্বা ৱারী ঙাক্তনি। ফার্স্ত-হেন্দ-এক্কাউন্ত ওইনা, হকথেংনহৌবা কনানা লেঙদ্রবা ইভিদেন্স অমগা লোয়ননা ইরম্বা অমত্তা নত্তে। ৱারীশিংসিনা অশেংবা ওইরবদি ঙসিসু অদুম থোরক্লমগদবনি।

ঐদি মহৌশানা, পুমকক চাউরকপৈঙদগী, ভুৎ-প্রেৎকী ৱারীদুদি হায়রুনু, লাই ফাওবা থাজরক্তে। ঙসিসু থাজদে। ভুৎ থোকই হায়নরম্বা মফমশিংদুদা, অথেঙবা অহিংদা অতম্ননা চত্তুনা (মরুপশিংগা মরৈ য়েৎনরকপদগী) ভুৎ থিবা চৎলুবগী থৌদোকসু লৈখি। অমত্তা থেংনরকখিদে। পুম্নমক ৱাখলনা শাগৎপা ঙাক্তনি। হেল্লুসিনেসন হায়না খঙনবা, পুক্নিং-ৱাখলগী অনাবা অমদগী থোকপা, তশেংনা থোকপা/লৈবদি নত্তবা, মীৎসিদদি উবা/নাকোংসিদদি তাবা থৌওং অদুমক্নি। য়েংবীয়ু- অসিগুম্বা ৱারী অয়াম্বা অমম’-অথেঙদা, কনা লৈতবা তানফমদা থোকপঙাক্তা ওইরম্নি। অমম্বা হায়বদি খঙদবা/উদবা। অকিবগা, থাজবগা পূল্লবা মতমদুদনি- তম্নবা, নৎত্রগা, কিহনবা হায়বা কনাগুম্বা অমগী থৌশিলনা মায় পাকখ্রিবা। ঐনা নহা ওইরিঙৈ ‘কেলি মখোঙগী ভুৎ’ কৌবা ৱারীমচা অমা পারকখি। কনানা ইবনো নীংশিংদ্রে। কৈথেলদা মনা-মশিং য়োনবী, লূকমায় পানবী মৌ-নহা অমা (লৈরিক)না মহাক্কী, শীৎখিদ্রবা পোৎসিত্তু য়োনখিনবা, লৈবীনবা কষ্টমর ঙাইরিঙৈ নুমীৎ তাখিবা খঙহৌদ্রে। চান-থক্লবা চেঙ-চাক ৱানশিল্লগা ময়ূম মায়কৈ তম্লকপদা নীংশিংলকখি। ভুৎ থোকই হায়নবা, মখোয়’ ময়ুম য়ৌগদবা ৱাৎলিঙৈগী ‘কেলি মখোঙ’! মনমগন্দা পোরিবী মচা পীশক্তুগা অমম্বা মরক্তুদা মথক্তা নায়তোম হল্লকপদুদা মায়োক্লখি ‘কেলি মখোঙগী ভুৎ’। কোকচাওবী ফুং কাখি, জ্ঞান মাঙখি। লৈরিক্না জ্ঞান তারকপদা মশাদা মফি থোংলমদে। লাপ্তক্না মচা পীশক তেংথা নাওই কপ্লম্মী। চোইরবা শম্লাং খোমজিল্লগা, মফি মরোল শেৎচিল্লগা, মচাদু নম্বো পোশিল্লগা ময়ূম তম্লকখিবী লৈরিক্কী ৱারী, মণিপুরগী ভুৎ মশক ফজনা তাকখিবা ৱারীমচাদু ঙসিসু নীংশিংলি। কাউবা ঙমদে।

ৱারীসিদই তোঙানবা, ‘ভুৎ শান্নবা’ হায়বা ৱাহে ৱাপা অমগসু তারকখি। ভুৎ শান্নবা মীনা ভুৎ লোইশিনবা হৈত্রবদি ভুৎশিং অদুনা ওনশিন্দুনা মপুদা ওনশিন্দুনা হাত্তোকই। ভুৎশিং অদু থাদোক্তুনা অহিং নোংয়াই অথেংবদা মীগী ময়ুমদগী নৎত্রগা অচৎ-অওকশিংদগী মপোৎ-মরল মুলহনবা, অকি-অখঙ থোকহনবা, ফূবা-চৈবা তৌবদুনা ভুৎ শান্নবা হায়বা থৌওংদুগী মরুওইবা মশক্নি। ভুৎ ওইনা মথৌ তৌহল্লম্বা, থৌনাইদবা মীশিংদুগী অরেপ্পা থৌগায়/ফংফম থোকপা অৱামল/খুৎশুমল পীদুনা গেং অদু থুপচিনবা হৈতবগী থৌওং অদুনি ‘ভুৎ লোইশিনবা হৈতবা’। ঙসিগী মোদর্ন তাইমস অসিগী অনৌবা ভুৎ, শান্নবগী অনৌবা মেথোদোলোজি তোঙাল্লি। ভুৎ শান্নবা হায়বা, মমাংঙৈগী প্রাক্তিস অদুগী অনৌবা নোমেনক্লেচর অমনি- ‘ওর্গনাইজদ গেং ওপরেতর’। তোঙান তোঙানবা পর্পজগীদমক লীংখৎপা ‘ক্রিমিনেল গেং’শিংগী ৱারী- তাখ্রে, তারি, তাখিনি।

মতম অমদা শানরম্বা ভুৎ-প্রেৎকী ৱারীদুগী অনৌবা শায়োন ৱারীনি- ঙসি ঐখোয়না তারিবা সিতিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ইন্দো নাগা পিছ টোক, এব্রোগেসন ওফ আর্তিকল ৩৭০, লিগেলিতি ওফ মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট, ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম ইন মণিপুর, মাইনোরিতি ষ্টেটস ওফ মৈতৈ/মীতৈ কম্যুনিটি, কুকি হোমলেন্দ দিমান্দ ইন মণিপুর... অসিনচিংবা। পূম্নমকসিগী মথক্তা থিংবা ঙমদ্রবা শেঞ্জা-থুমজা-করপসনগী ৱাথোক, থবক শুফম লৈত্রবা, মহৈ-মশিন হৈরবা নহারোলশিং... শেল পুখবা শেনবা-থুম্বা (দিফিসিৎ বজেট) পুথোকপদা হৈনরবা, ময়ূমনা কোনুং ওইবা লৈঙাকপশিং... পূম্নমকসিনা, ঈংনা-চীক্লা-জগোয়-ঈশৈদা তাউদুনা লৈজনীংবা, ঈংনা লৈবা ফংদ্রবা লমদমসিগী মীয়ামদা তম্নলাই অমগী শক্তম লৌরক্লবরা, চিংনরক্লে।

ঙরাং নুংথিল, ঙাইহাক উইরো-রোল তৌদুনা ৱাখল লীশাঙ থারুঙৈ, মীৎমাঙসিদা চোংথোরকখি- অঙাং ওইরিঙৈ উখিবা ‘মকোক তাঙবা, ময়া চৌবা, ভুৎ শান্নে হায়দুনা লৈকায়সিনা কি-তূকচ্চনরম্বা ইপু-তোম্পোক’কী শক্তম! ইপু-তোম্পোক্না শান্নরম্বা ‘ভুৎ-শান্নবা’ মশান্নদুগা, ঙসিগী অঙম্বা লৈঙাকপশিংসিনা শান্নরিবা মশান্নসিগা-অনীসি করি খেন্নবগে? লৈতাফম খঙদ্রবা পূক্নিংসিদা খল্লকপনি।

লৌশিং পুক্কে

# পৎপ-পুম্বা নাইদবা খোইহীগী

## কান্নবশিং মমুৎ তানা খঙজিনসি

পৎপ-পুম্বা নাইদবা, মতম চুপ্পা ইনৌদা নৌদুনা লৈরবা পোৎলম অমত্তং হায়বা তারবদি খোইহীনি। বৃটেনগী রিছার্চরশিংনা খোইহীগী মরমদা মতম শাংনা থিজিন্দুনা লাকখি। য়ুনিভর্সিটি ওফ মেঞ্চেষ্টরগী রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা মহীক মতাই হাৎপা ঙম্বগী মগুন চেল্লিবা খোইহীবু হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াগনি হায়বা খঙলে।



ফ্যুসারিয়ম কৌবা ফঙ্গস অমনা মীওইবগী মীৎ তাঙহল্লকই। কনাগুম্বগী পুন্সি ফাওবা মাঙনিংঙাই ওইহল্লকই। পাম্বী মখল খরা অমদি লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা ফঙ্গস মখল অসি খোইহীনা অরায়বা মওংদা মাঙ-তাকহনবা ঙম্মী হায়বা রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা খঙলে। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ফঙ্গস অসিগী সেল ৱাল থুগায়বা ঙল্লিবা খোইহীবু অনা লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চর জেন হবিব অলহিন্দিনা হায়খি, মতম শাংনা ওইশিনবা ঙমদ্রবা অশোকপা মফমদা ফঙ্গসনা মরম ওইরদুনা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। মসিদগী ঙাকথোক্লবা তঙাইফদবা ব্রোদ স্পেষ্ট্রম এন্টিবাইওটিক চাবগী মথৌ তারকই। অশোকপা মতমদা মাইক্রোওর্গানিজমশিংগী অপাবা কুয়োম (বাইওফিল্ম) অমনা কূপশিনখিবদগী ওইশিনবদা ৱানা থোকই। অদুবু খোইহীনা হায়রিবা বাইওফিল্ম অসি নমখায়বা ঙম্বনিনা অশোকপা ওইশিলহনবদা চাউনা মতেং পাংই হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি। কৈথেলদা ফংলিবা এন্টিফঙ্গেল মেদিসিন খরদগী খোইহীনা ফবা হেল্লি হায়বসি হন্দক্তা থিজিনবদগী খঙলকপনি।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, ফঙ্গেল ইনফেক্সন ফহনবা ঙল্লিবা খোইহীবু অফবা মখলগী হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। খোইহীনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবদি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। লোক খুবদগী হৌরগা অশোকপা ওইশিলহনবা অমসুং ইনফেক্সন মায়োক্লবা অসিনচিংবা কয়া কয়ানি।

কনাগুম্বা হকচাংগী অৱুম্বা হস্থহন্নিংবশিংনা অথুম্বা চানিংলকপা মতমদা চিনিগী মহুত্তা খোইহী ওইনা শীজিন্নবা য়াই। অদুবু খোইহীদসু চিনিগী শরুক য়াওবনিনা ময়ায় ওইরপ্পা চাংদা শীজিন্নবা মথৌ তাই। অয়ুক খুদিংগী চাকখাউ হাংলিঙৈদা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংদা চম্প্রা মহী শুমজিল্লগা খোইহী খরা য়ানশিন্দুনা থকপা অসুক্কী মতিক ফৈ। কনাগুম্বা হকচাংগী অৱুম্বা হস্থহন্নিংবশিংনা চা থকপদা চিনিগী মহুৎ খোইহী ওইনা শীজিন্নবা কান্নগনি। এন্টি-ওক্সিদেন্ট অমসুং এন্টি-বেক্টেরিয়লগী মগুন চেল্লিবা খোইহীনা দাইজেষ্টিভ সিষ্টেম ফহন্দুনা হকচাং ফহনবগা লোয়ননা কেন্সর অমদি হার্ট দিজিজনচিংবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকই।

দর্মাটাইটিস অমসুং লুপৌ ফহনবা ঙল্লিবা খোইহীদা ভিটামিন অমদি মিনরেল মরাং কায়না য়াওই। ব্লদ প্রেসরসু চাং অমদা লেঙদনা লৈহনবদা মতেং পাংই। তূম্বা য়াগন্দবা অমসুং তোয়না মীৎকপ থোক্কনবা অঙাংশিংদা চাং নাইনা খোইহী পীথক্লবদি মপুং ফানা তূম্বা য়াহল্লি। খ্বাইদগী মরুওইরিবদি অশোকপা ওইশিলহনবগী মতাংদনি। হিরম অসিগী মতাংদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চর জেন হবিব অলহিন্দিনা হায়খি, হকচাংগী মফম অমদা অশোক অপন য়াওরকপা মতমদা ফঙ্গসনা মরম ওইরদুনা ওইশিনবদা তপথহল্লি। অশোকপা মফমদা খোইহী তৈরবদি ফঙ্গস পুম্নমক লৌথোকখিদুনা অশোকপা ওইশিলহনবদা মতেং পাংই। অদুম ওইনমক ফঙ্গেল ইনফেক্সন অমদি তোঙান তোঙানবা সুপরফিসিয়ল ইনফেক্সনশিংদা খোইহীবু হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী মতাংদা মখা তানা থিজিনগদবা ৱাৎলি।

অদুম ওইনমক কুইনা লায়জৌদুনা লৈরবা অশোকপা মফমদা খোইহী তৈবা ফৈ হায়বসি রিছার্চরশিংনা কূপ্না থিজিল্লবা মতুংদা খঙলকপনি। রিছার্চরশিংনা হায়খি, মাইক্রো ওর্গানিজমশিংগী অপাবা কুয়োম অমনা কুপশিনখিবদগী অশোকপা মফম ওইশিল্লক্তবা মরম্না লায়জৌরকপনি। করিগুম্বদা মহীক মতায় চঙখিবদগী লায়জৌরকপসু য়াওই। অদুবু অয়াম্বা মতমদা ফঙ্গসনা মরম ওইরদুনা অশোকপা খুদিংমক ওইশিনবা ঙমদবনি। ফঙ্গেল ইনফেক্সন অমদি তোঙান তোঙানবা সুপরফিসিয়ল ইনফেক্সনশিংদা খোইহীবু হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী মতাংদা মখা তানা থিজিন্নবা হোৎনরি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# বিষ্ণুপুরগী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিংদা কেম্প পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস)

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অমদি বেঙ্কশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা সোসল সিক্যুরিটি স্কিম কয়াদা কন্ট্রেক্টচ্যুএল ৱার্করস এনরোল তৌনবা অমদি সোসল সিক্যুরিটি স্কিমগী ইলিজিবল পার্সনশিংবু অতল পেন্সন যোজনা, পি এম জে জে বি ৱাই, পি এম এস বি ৱাইনচিংবা স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা নোংমগী ওইবা স্পেসল কেম্প বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ততা লৈরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীশিংদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি তোঙান-তোঙানবা ম্যুনিসিপালিটিশিংদা পাঙথোকখিবা স্পেসল কেম্প অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা চাউরাক্লা মীওই ২০০ রোম এনরোল তৌখিবগী মনুংদা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলদা মীওই ১২৪ এনরোল তৌখিবনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি।

নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী এগজিক্যুটিভ ওফিসর টি ঐচ রবিন্দ্রনা স্পেসল কেম্পগা মরী লৈননা ফোঙদোরকপদা, হায়রিবা কেম্প অসিনা স্কিমশিং অসিগী মখাদা ফংবা য়াবা বেনিফিসরিশিংদা চাউনা কান্নবা পীবদা নত্তনা লাইবক থীবা থৌদোক কয়া থোক্লবসু কান্নবা কয়া অমা ফংহনবা ঙমগনি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট কয়ানা পায়খৎলিবা স্কিম কয়া অসি ঐখোয় খুদিংমক্লা ফংলবা মতমদা স্কিমশিং অদু মপুং ফানা চৎনবা ঙম্লে তাক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মফমশিংদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা শোয়দনা শরুক য়াবীনবা আপীলসু তৌখি।

লোয়ননা মহাক্লা হায়খি, অসিগুম্বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা মীয়ামগীদমকম পায়খৎলক্লিবা স্কিমশিং অসিগী কান্নবা ঐখোয় পুম্ন মক্লা লৌমিন্নরবা মতমদতা লৈবাক অসি চাউখৎপা অমদি মান্নবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগনি। মরম অদুনা থৌরমশিং অসিদা মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু।

THE UNIVERSAL FRIENDSHIP ORGANIZATION
Regd. No. 808 of 1967
NORTH HEAD QUARTER NO. 3, KOIRENGEI, MEITRABAK

অৱাবা ফোঙদোকচবা



তাইবঙ মীরমলেন অসিদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বা, UFO Koirengei Bn. গী President সু ওইবীরম্বা লোয়ননা Bn. অসিগী অৱাৎ-অপা কয়াবু য়েংশিনবীরম্বা Heikham Damu Luwang, Koirengei দা লৈবীরম্বা UFO গী ইরুপলোই অসি হৌখিবা চৈচৎ ২১/০৯/২০২২ ইং, লাংবন থাগী ২৬নি পানবা কোরৌ য়াইফরবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পূন্সি চেংজেল লোইরদুনা মপুগী লৈকোলদা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনখ্রে। ইরুপলোই অসিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা UFO North H/Q No.-3, Koirengei Bn. গী মেম্বরশিংনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু UFO গী মেম্বরশিংনা শরুক য়াজরি। লৈখিদ্রবগী য়াইবী থৱায় মীরেলনা তাইবঙ শেম্বা হয়ি শিদবা মপু মাগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক ইকোক নোন্না মিনিৎ ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- N. Samarendra Meitei
Bn. Secretary

HL-P/4234/23

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৩।০৯।২০২২ ইং, ইরাই;
লাংবনগী ২৮ নি পানবা।

মেষ: থবক পাঙগনি, অয়েৎপা লৈরম্লসু কোকচবা, থিজিনবগী/শেল-থুমগী কান্নবা নুমিৎনি। লৌশিং ফুদোকপদি ৱাই, মরুপ মপাংনা মতম মাঙহনবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

বৃষ: মীয়াম পুনবনা নুংঙাইবা হেনবা, য়েক্লবা হন্থবা অমদি হকচাং নুংঙাইজবা নুমিৎনি। অনম তান্না থৌপাঙবদি ফবা ৱাৎকনি, খন্থদ্রদি অরেম্বদা চাদিং তৌগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: শেন্দোং তানবা থবক্তদি চিংনদনা খুৎচাও থাবা য়াগনি-তৌবতবু মীনা ইনশিল্লগা থৌপাঙবদি কান্নবা ৱাৎকনি। অশাওবা অমদি শিখাঙ খাঙবনা মাঙজবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কর্কট: ৱাখল তান্নদবা লৈবনা মাঙজবা খরা লৈগনি-খাঙবা কল্লু। ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজবা, পাংঙমদবা থবক পাঙবা, থৌনা ফুদোক্না লন তানবা ঙম্বা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: হরাওবা-নুংঙাইবা, শেন্দোং চাওনা ফংবা অমদি মীয়াম্না চানবীবা নুমিৎনি। হন্থবা লোয়নরবা অমদি মীতোপ থাজরদি তৌহৈদবা থবক্তা পুক্নিং চঙনিংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: চাদিংগী লমদা কোক শাবা, পাইরক্কী লৌশিং শোনবা, অনম তানবা য়াদবা নুমিৎনি। ৱানোম থৌনোম, শেন্দোং তানবা থবক্তসু চেকশিনগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: ঙসিসু অশাওবা অমদি ইমুং-মনুংদা ৱাখল তান্নবা ৱাৎপনা চাদিং হেনবা অমদি খৎনবা য়াবা লৈ-তপথৌ। অঙম্বনদি চানবী, থবক পাঙগনি, শেল চঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: পাঙনীংবা থবক খুৎলোইনা পাঙগনি, মরুপ অফবা ফংজগনি, অফবা মফমসু ফংবগী নুংঙাইবা লৈজৈ। লৌশিং চাওই, ঙাঙথোকপদা মীনা তানিংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: অঙম্বগা মুক্লবা য়াবা অমদি শকখঙদবগা ৱাখল শেরান্নবা লৈগনি-অখঙ অহৈগী ৱা লৌ। য়েক্লবদি লাকশিনগনি, মীয়ামগা মরুপ ওইবা ফংগনি, শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মকর: নাপল, অনম তানবা, হোয়া ফবনা মাঙনবগী মশক ঙাক্তা থেংনগনি। তপথৌ, নাপল থাদোকউ, মহৌশাগী পাঙফম থোকপা থবক্তসু পুক্নিং চঙউ-শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কুম্ভ: নীংবা শোয়দনা থুংগনি-অফবা থবক্তা খুৎচাও থাহৌরো। নহৈ/নচা-ননাইগী লমদা ফমথোল ফংবগুম নুংঙাহ। খুরৌ থাংবা অমনদি নুংঙাইফম খঙহল্লোই।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবা পামগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: মতম মাঙবা ফদুনা মায় পাক্লনি, য়েৎনরম্বসু ফদুনা শেল থুমগী লমদা ওইজবা ফংগনি, লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি। লম চৎপদি হুরানবনা তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক থোইনা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# ফৌহুমলোক, ফয়েং

থৱান



